# যাধব কেসতা আই সি জেদা মায়থীখিবদগী পাকিস্তান গভর্ণমেন্টপু ক্রিটিসাইজ তৌনখ্রে

ইস্লামাবাদ, মে ১৯ :

ইন্টরনেসনল কোর্ট ওফ জষ্টিস (আই সি জে) দা পাকিস্তান্না ইন্দিয়ন নেসনল কুলভুষন যাধবকী কেস হেন্দল তৌখিবগী মতাংদা পাকিস্তান গভর্ণমেন্টপু ইরাই নুমিৎতা সেক্সন খরদগী ক্রিটিসাইজ তৌখ্রে। লিগল এক্সপার্টশিংনা পাকিস্তানি গভর্ণমেন্টকী ষ্ট্রেটেজিদা নুংনাংবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা করিগীদমক্তা গ্লোবেল কোর্টকী জুরিসদিক্সন য়ারিবনো হায়না হংখ্রে।

হেগতা বেজ ওইবা য়ু এনগী খ্বাইদগী ৱাংবা জুদিসল বোদি অদুনা শগোলশেল নুমিৎতা মশাগী চহী ৪৬ শুরবা জাধবপু হাৎনবগী ওর্দর ষ্টে তৌখি।

ইন্টরনেসনল কোর্টকী রুলিং অদুগী মতুংদা কেস অদু নিংথিনা হেন্দল তৌদবা অমসুং পাকিস্তানগী কেস রিপ্রজেন্ট তৌহন্নবা খৱার কুরেসিবু খনখিবগা মরী লৈননা পাকিস্তান ফোরন ওফিস (এফ ও)বু ক্রিটিসাইজ তৌনখি।

এক্সপ্রেস ত্রিব্যুনগী রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না এটোর্নি জেনরেল ওফ পাকিস্তান (এ জি পি) না কুরেসিগী মহুৎতা অতৈ কাউন্সেল ওইনা খন্নবা রিকমেন্দ তৌখি।



পাকিস্তান বার কাউন্সিলগী ভাইস চেয়রমেন ফারোগ নসীমনা আই সি জেগী জুরিসদিক্সন কম্পলসরি ওইহনবদা য়াখিবা মার্চ ২৯,২০১৭ কী দিক্লারেসন অদু পাকিস্তান্না খুদক্তা ৱিঠদ্রো তৌগদবনি। ইন্দিয়ানা আই সি জেদা যাধবকী কেস হেক পুখৎখিবা মতুংদা পাকিস্তান্না ৱিঠদ্রো তৌরমগদবনি। কাশ্মিরদা চত্থরিবা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবগী থৌদোকশিংগী মতাংদা পাকিস্তান্না কোর্ট অসিদা ৱাকৎতনা লৈথোকই হায়নসু মহাক্না পেন্দবা ফোঙদোকখি।

ইন্টরনেসনল লোগী এক্সপার্ট অমা ওইরিবা হান্নগী এদিস্নেল এটোর্নি জেনরেল টারিক খোকরনা পাকিস্তান্না দিক্লারেসন অমগী খুত্থাংদা আই সি জেগী জুরিসদিক্সন য়াথোকখিবগীদমক্তা নুংনাংবা ফোঙদোকখি।

হান্নগী লো মিনিষ্টর এম এম জাফরনা ইন্টরনেসনল কোর্টকী ৱারেপ অদু লাল্লি হায়খি অমসুং যাধবকী কেসতু খান্না খঙদ্রিঙৈগী মমাঙদা আই সি জেনা করিগীদমক্তা ষ্টে ওর্দর ইস্যু তৌরিবনো হায়না হংখি।

# সি জিনপিংনা চাইনা-সাউথ কোরিয়া মরী মহৌশাগী ফিভমদা লাকহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখ্রে

বৈজিং, মে ১৯ :

কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা য়ু এসকী এন্টি-মিসাইল সিষ্টেম দিপ্লোই তৌবদগী টেন্সন লৈনরিঙৈ তাল্লক্তা চাইনাগী প্রসিন্টে সি জিনপিংনা ইরাই নুমিৎতা সাউথ কোরিয়াগী দিপ্লোমেট অমদা লৈবাক অনীগী মরী মহৌশাগী ফিভমদা লাকহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখ্রে।

য়ানদবা লৈবশিং কোকহন্নবা লৌখৎলকপা মানবা খোঙথাং অমদা সাউথ কোরিয়াগী অনৌবা প্রসিদেন্ট মূন-ইননা মহাক্কী পাউখোল্লোই লী হে-চানবু চাইনাদাথারকখি।

বৈজিংদা লাক্লিবা সাউথ কোরিয়ান দিপ্লোমেট অদুবু তরাম্না ওক্লদুনা সিনা হায়খি, ৱানা হোৎনমিন্নদুনা লাকখিবা পুক্নিং থৌগৎনিঙাই ওইবা ফিভম কয়া চাইনানা কায়হন্দবা পামই। য়ান্নদবা লৈবশিং নিংথিনা হেন্দল তৌবা, চাইনা-সাউথ কোরিয়া মরীবু মহৌশাগী ফিভমদা লাকহনবা পাম্মী। "বাইলেটেরেল মরীশিংগা মরী লৈনবা মরুওইবা ইস্যুশিংগী মতাংদা অমগা অমগা ঈ-পাউ ফাওনবা হেনগৎহন্নবা নহাক্না চাইনাদা খোঙচৎ অমা লাক্লিবসিনা প্রসিদেন্ট মূন অমসুং মহাক্কী এদমিনিষ্ট্রেসন্না ঐখোয়গা মরী থম্নবদা ইমপোর্টেন্স চাওনা পী হায়বসি উৎলে" হায়না প্রসিদেন্ট সিনা সাউথ কোরিয়ন দিপ্লোমেটতা হায়খি।

অমরোমদা লীনা হায়খি মদুদি, মীখল মতুংদা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকপগী পাউজেল থারকখিবগীদমক্তা মূননা মঙোন্দা সিদা থাগৎপা ফোঙদোক্লবা হায়রকখি।

সাউথ কোরিয়াদা পৱারফুল ওইরবা টর্মিনেল হাই অল্টিট্যুদ এরিয়া দিফেন্স (থাদ) সিল্ড দিপ্লোই তৌবগী ৱাহৌদগী হন্দক থা খরসিদা লৈবাক অনীগী মরী শোক্লকখি। বৈজিংনা দিফেন্স সিল্ড অদুনা চাইনাগী মিলিটরি কেপেবিলিটিদা অকিবা পোকহল্লি হায়না লৌরিবনি।

থাদগী পান্দমদি ন্যুক্লিয়র খুৎলাই লৈরবা নোর্থ কোরিয়াদাগী লাকপা থ্রেটশিং ঙাকথোকপনি। তৌইগুম্বসুং চাইনানদি মদুনা রিজনেল সিক্যুরিটি বেলেন্স কায়হনগনি হায়না কিরি।

# য়েৎনরিবা ঈথৎশিংগী মনাক্তা চাইনিজ দ্রোন পাইরকপদগী জপান্না ফাইটর জেটশিং পাইহনখ্রে

টোকিয়ো, মে ১৯ :

য়েৎনরিবা ইষ্ট চাইনা সিগী ঈথৎ মচাশিংগী মনাক্তা লৈবা জপান্না লৈবাক অসিগীনি হায়না লৌবা ঈশিংগী শরুক্তা চাইনিজ কোষ্টগার্দ ভেসেল মরি চঙশিল্লকখিবা অমসুং দ্রোনগুম্বা ওবজেক্ট অমা সিপ অমগী মনাক্তা পাইরকখিবা মতুং শগোলশেন নুমিৎতা জপান্না ফাইটর জেট কয়া থাদোকখ্রে।

নাকল অনীনা কন্টেষ্ট তৌনরিবা ঈশিংগী শরুক্তুদা চহী অসিদা চাইনিজ কোষ্টগার্দকী সিপশিংনা কয়ারক হন্না চঙশিল্লকখিবা লৈরবসু শগোলশেন নুমিৎতা জপানিজ ওফিসলশিংনা য়েংদুনা ঈথৎশিং অদুগী মনাক্তা ফাইটর জেটশিং পাইহনখিবদু অসিগুম্বা মখলগী অহানবনি।

জপানদা সেনকাবু কৌনবা অমসুং চাইনাদা দিয়াওয়ু কৌনবা মী তাদবা ঈথৎ মচা খরগী ৱাহৌদগী লৈবাক অনি মতম শাংনা নুংঙাইনদনা লাকখিবনি। ঈথৎশিংদু জপান্না কন্ট্রোল তৌরবসু চাইনানসু ক্লেম তৌরিবনি।

চাইনিজ ভেসেলশিংনা জপানগী ঈশিংগী শরুক্তা চঙশিল্লকপা অমসুং দ্রোন পাইরকখিবদুনা লমদম অদুগী হৌজিক লৈরিবা ফিভমদা অকাইবা পীরে। মদু জপান্না শুংয়া য়ানিংঙাই ওইদে হায়না জপানিজ দিফেন্স মিনিষ্টর টোয়োমি ইনাদানা ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

ইনাদানা ফোঙদোকখি মদুদি, এফ ১৫ ফাইটর জেট অনী, ঈ-২ সি আর্লি ৱার্নিং এয়রক্রাফট অমা অমসুং অৱেক্স সর্ভিলেন্স প্লেন অমা থাখি।

বৈজিংদা চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপর্সন হুৱা চুনীয়িংনা দ্রোন অদু কোষ্ট গার্দনা থাদোকখিবা নত্তে তৌইগুম্বসুং এরিয়ল ফোতোগ্রাফীগদমক্তা মরী লৈনবা মীদিয়ানা রিলিজ তৌখিবনি। মহাক্না ওর্গনাইজেসন অদুদি পনখিদে। "মসি মীদিয়া খরনা ফোঙদোক্লরিবা নৎত্রগা শাগৎনরিবা মিলিটরি এক্সনমক্তি নত্তে" হায়না হুৱানা ন্যুজ ব্রীফিং অমদা হায়খি।

ঈথৎশিং অদু চাইনাগী লম ওইবনা, চাইনিজ কোষ্টগার্দনা নোর্মল পেট্রোলশিং পাঙথোকপা য়াবগী রাইট খুদিংমক লৈ হায়না হুৱানা মখা তাখি।

# হান্নগী এল টি টি ঈগী ষ্ট্রোংহোল্ডদা গনমেননা পুলিসতা নোংমৈ কাপখ্রে

কলম্বো, মে ১৯ :

শ্রী লঙ্কাগী হান্নগী এল টি টি ঈগী ষ্ট্রোংহোল্ড কিলিনোকচিদা গনমেন অমনা ইরাই নুমিৎতা পুলিসতা এটেক তৌখ্রে। টামিলশিংনা চহী ৩০ চূপ্না চত্থরকখিবা সিভিল ৱার লোইশিনখিবগী নিপানশুবা কুমওন থৌরমশিং পাঙথোক্লখিবা মতুং নোংমা লৈরগা এটেক অদু চত্থখিবনি।

ইরাইগী অঙনবদা থোকখিবা থৌদোক অদুদা লালনা অৱাবা নংহনখিবা কিলেনোকচি পুলিস ষ্টেসন অদুদা পুলিস ওফিসর কয়া অশোয় অঙাম য়াওদনা নান্থোকহৌখি।

ওফিসরশিংদা এটেক তৌরম্লবা মতুংদা চেনখিবা সসপেক্ট অদু ফাননবা আর্মি অমসুং পুলিস ওফিসরশিংনা এরিয়া অদুদা সার্চ ওপরেসন অমা হৌখ্রে।

টামিলশিংবু পাক্তক্লনা হাৎখিবগী নুমিৎ শগোলশেল নুমিৎতা মুলিভাইকলদা থৌরম কয়া পাঙথোক্তুনা সেলিব্রেট তৌখি। মুনিভাইকলদা লঙ্কান গ্রুপশিং অমসুং লিবরেসন টাইগর্স ওফ টামিল ইলাম (এল টি টি ঈ) গী অরোইবা লাল শোক্লখিবনি।

হার্দলাইন অমসু মোদরেট টামিল লিদরশিংগী মরক্তা নিংশিং থৌরমদু পাঙথোকপদা টেন্সন লৈখি হায়না টামিল ছোর্সশিংনা ফোঙদোকখি।

নোর্দন প্রোভিন্সকী চীফ মিনিষ্টর সিভি ৱিগনেশৱারাননা নোর্থতা মিলিটরি পার্সনেল ১৫০,০০০ রোম লৈশিনবা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। মহাক্না লমদম অদুদা আর্মি, নেভি অমসুং এয়রফোর্সকী তঙাই ফদবা অমত্তা লমদম অদুদা লৈতে হায়খি।

# মিলিটরি কনভোইদা য়ু এসনা এয়রষ্ট্রাইক চত্থখিবগী পাউ সিরিয়ন আর্মিনা কনফার্ম তৌখ্রে



দমাস্কস, মে ১৯ :

ইরাক্কী বোর্দর মনাক্তা য়ু এসনা লুচিংদুনা কোলিসন ফোর্সশিংনা মিলিটরি কনভোই অমদা এয়রষ্ট্রাইক চত্থখি হায়বা ৱাফম সিরিয়ন আর্মিনা ইরাই নুমিৎতা কনফার্ম তৌখ্রে। ৱাশিংটনগী এক্সন অদুনা আর্মিনা টেররিষ্ট গ্রুপশিং মখা তানা থেংনবদা কিহনবা ঙম্লোই হায়নসু সিরিয়ন আর্মিনা ফোঙদোকখ্রে।

আর্মিগী ষ্টেটমেন্টনা ফোঙদোকখি মদুদি, য়ু এসনা লুচিংবা এন্টি-টেরর কোলিসন্না শগোলশেল নুমিৎতা টানফ এরিয়াগী মনাক্তা লৈবা মিলিটরি পোজিসনশিংগী মনুংদা অমদা এটেক চত্থরকখি। মদুদা পার্সনেল কয়ামরুম শিখ্রে অমসুং খুৎশু খুৎলায় কয়া মাঙহন তাকহনখ্রে।

এটেক অদুবু সিরিয়ন আর্মিনা কাইহৌরুবা তৌদনা অকল অরিং শাদুনা এটেক চত্থরকপগী থৌওংনি হায়না ফোঙদোকখ্রে অমসুং মদুনা টেররিজম থেংনবদা কোলিসন্না অরানবা মরাল কয়া অতৈদা শিজিন্নি হায়বসি উৎলি হায়খ্রে।

শগোলশেল নুমিৎতা সিরিয়ন ফোর্সশিং য়ু এসনা লুচিংবা রেবেলশিংনা কন্ট্রোল তৌবা এরিয়া অমা তম্না চঙশিনখি। এরিয়া অদুদা বৃটিশ অমসুং য়ু এসকী বেজশিংসু লৈ হায়রি।

রিপোর্ট খরগী মতুং ইন্না, কনভোই অদুদা হিট তৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা আর্মি ফোর্সশিংদু চঙশিল্লক্তনবা কোলিসন্না ৱার্নিং সোটশিং কাপখি।

অমরোমদা, সিরিয়ন আর্মিগী মায়কৈদগীদি মখোয়দা চঙ-শিল্লক্তনবা ৱার্নিং তৌখি হায়বা য়ু এসকী ক্লেম রিজেক্ট তৌখ্রে।

টেররিষ্ট গ্রুপশিংগা লাল শোক্লরিবনি হায়না ক্লেম তৌরিবশিংনা সিরিয়ন আর্মিদা কাপ্লোইদবনি মরমদি সিরিয়ন আর্মিদি টেররিষ্টশিং থেংনরিবা লিজিটিমেট ফোর্সনি। মরম অদুনা মখোয়না টেররিষ্টশিংদা হকথেংননা ওনশিনগদবনি হায়না সিরিয়ন আর্মিনা ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা, অনৌবা য়ু এসকী ষ্ট্রাইক অদুনা লমদম অদুদা লৌখৎলিবা এন্টি-টেররিজমগী খোঙথাংশিংগী ময়াই চমহল্লে হায়না রসিয়ানা ফোঙদোকখ্রে।

# বাংলাদেশতা এন জি বি টিগী অরোনবা মীফম য়াওরম্বা মীওই ২৯ ফাগৎখ্রে

ধাকা, মে ১৯ :

বাংলাদেশতা এল জি বি টি (লেজবিয়ন, গে, বাইসেক্সুঅল অমসুং ট্রান্সজেন্দর) কম্যুনিটিগী অরোনবা মীফম অমদা শরুক য়ারম্বা অমসুং অথিংবা থম্বা দ্রগশিং শিজিন্নরম্বগীদমক্তা পুলিসনা মীওই ২৯ ফাগৎখ্রে।

হোমোসেক্স্যুএলিটি অসি বাংলাদেশতা ওফেন্স অমনি অমসুং রেইদ চত্থবদা ফাগৎখিবা মীওইশিংদু পুলিসনা হৌজিক ইন্টেরোগেসন চত্থরি হায়রি। রেইদ অদু শগোলশেল নুমিৎকী অথেংবদা কেরানিগঞ্জদা চত্থখিবনি।

অরোনবা মীফম অদুগী মতাংদা থাজবা য়াবা অরোনবা পাউ অমা পুলিসনা ফংখিবগা লোয়ননা চত্থখিবা রেইদ অদুদা দ্রগ অমসুং কোন্দমশিংসু ফাগৎখি।

মীফম অদুদা শরুক য়ারিবশিংদুনা সোসল মিদিয়াগী খুত্থাংদা রেগ্যুলর মীটিংশিং পাঙথোকই হায়রি।

বাংলাদেশকী লোগী মখাদা হোমোসেক্স্যুএলিটি অসি ক্রাইম অমনি অমসুং পেনাল কোদগী সেক্সন ৩৭৭ কী মতুং ইন্না অসিগুম্বা ক্রাইম তৌবা মীওইশিংবু পুন্সি চূপ্পা জেলদা থম্বা য়াই।

হৌখিবা কুমজা ২০১৬ কী এপ্রিল অসি কম্যুনিটি অসিগী ওইনা য়াম্না নুংঙাইতবা থা অমা ওইখি। থা অসিদা এল জি বি টি রাইটস গ্রুপ অমা ওইরিবা রূপবানগী মরু ওইবা এক্টিভিষ্ট অনী অল কাইদা ইন দ ইন্দিয়ন সবকন্টিনেন্ট (এ ক্যু আই এস) কী মেম্বরশিংনা হাৎখি।

কুমজা ২০১৩ দগী এক্সট্রিমিষ্টশিংনা বাংলাদেশতা ব্লোগরশিং, থিঙ্করশিং, রিলিজয়স মাইনোরিটিশিংগী মেম্বরশিং অমসুং ফোরেনরশিং য়াওনা মীওই ৭০ হেন্না হাৎখ্রে।

এটেক খরদি ইস্লামিক ষ্টেট অমসুং অল কাইদাগী সাউথ এসিয়া ৱিংনা ক্লেম তৌখ্রবসু বাংলাদেশকী ওথোরিটিশিংনদি মীহাৎশিং অদু টেরর গ্রুপশিং অসিনা ঈথিল পীবা বাংলাদেসি এক্সট্রিমিষ্টশিংনা চত্থখিবনি হায়না ফোঙদোক্লি।

**/হকচাং চোকথবা খৌনাউ মরেং মরেং চৎপা, তিল শিংৎপা ঙমদবা, ৱা ঙাঙবা ঙমদবা তৌরম্বা ফহনবগী ওজা কয়ামুদ্দিনবু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি**



ঐগী হকচাংদা মতম কুইনা তোন্সিলনা য়াম্না কন্না নাদুনা হকচাং চোকথবা, খৌনাউ মরেং-মরেং চৎপা, তিল শিংৎপা ঙমদবা, ৱা ঙাঙবা ঙমদবা, চাবা-থকপা য়াদবা, চানিং-থক্নিংবা পোক্তবা, খৌনাউ মনুংদা চাথৎলগা ঈ তারকপা, লোক খুবদা ঈ য়াওরকপা, খৌনাউ মনুংদা নাই চারগা মচুম তাবা, খনাউ মনুংদা পোমথোক্লগা লৈবা তৌরম্বা অদু ওজা **এম ভি কয়ামুদ্দিন ফুন্দ্রেময়ুম ☎৮৫৭৫৮১৪৭২০, ৮৪১৩৮৭০০২৭** তা চত্তুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিংদু ওপরেসন তৌদনা মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা কয়ামুদ্দিন কবিরাজবু মতম চূপ্পদা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইহনবীয়ু হায়না হন্না হন্না থৌনিজরি।

1. Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba Bazar : 7.00 am to 11.00 am. 2. Hatta Minuthong near Traffic Signal Bazar : 12.00 noon to 5.00 pm

*থাগৎচরিবা* : **Shagolsem Babuchand Singh**
*Kakhulong*

HL-P/1081/20

**/থাগী খোঙকাপ চাং নাইদবা, ফিঙৌ চৎপা, ফম্বী পাবা, ফম্বী থুনা চৎপা, খ্বাঙ নাবা, তাং-তাং চিকপা, থাগী খোঙকাপ য়াম্না লিক্না লাকপা ফহনবগী ওজা জিয়া উল হগপু থাগৎচরি**



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, অমুক্তদা খোঙ শেংনা হামদোকপা য়াদবা, তোলহাও তোয়না ফাইবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী অমাঙবদা ঈ তৈরকপা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈশিং অশাবা শিজিন্নবা, অমাঙথোংদা তিলকুপ থোক্লকপা, অমাঙথোং মনুংদা উরিকমুক চাউনা তংলবা লৈবা, থাগী খোঙকাপ চাং নাইদবা, ফিঙৌ চৎপা, ফম্বী পাবা অমদি ফম্বী থুনা চৎপা, খ্বাঙ নাবা, তাং-তাং চিকপা, থাগী খোঙকাপ য়াম্না লিক্না লাকপা, কোক চিকপা, লেংজুম অনীমক চিকপা নাবা, ঙকশম মরী নাবা, য়াঙলেন শরূ নাবা তৌরম্বা অদু **MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9615256612** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা **Zia-Ul-Haque** পু মপোকসিমগী কাওজরোই অমদি পাউচেগী থোঙদা হন্না হন্না মহাকপু থাগৎচরি।

*লায়েংফম* : 1. Kekru Villa North AOC, Opp. AMUCO, UCM Gate Imphal 10 a.m. - 5 pm. 2. Mayang Imphal Konchak Bazar 6 am to ...? 3. Yairipok Bamon Leikai (Only Wednesday&Saturday open).

*থাগৎচরিবা* : **L. Chandra Kumar Singh**
***New Keithelmanbi***

HL-P/3821/20

**ওজা এমভি রিয়াজুদ্দিনবু থাগৎচরি**



ঐগী হকচাংদা নুঙশংনা মতম কুইনা নাদুনা থাগী খোঙকাপ চাং নাইদবা, ফিঙৌ য়াম্না চৎপা, ফম্বী শোন্থবা, খোঙ হাম্বা মতমদা সৌজা নান্থবা, সৌজা অদু অমুক হনগৎলু য়াদবা, খুৎনা ইনশিনবা, অমাঙথোং ময়াদা মরেং মরেং চৎপা, খ্বাঙ নাবা, য়াঙলেন শরূদা চিকপা নাবা তৌরম্বা অদু ওজা **এম ভি রিয়াজুদ্দিন বুয়াময়ুম ☎ ৯৮৫৬৭৯৭৩৩৮, ৭০৮৫৪৯৪৭৮৩** দা চত্তুনা লায়েংজরুবদগী ঐঙোন্দা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা রিয়াজুদ্দিনবু থাগৎচরি।

*লায়েংফম* : 1. Mayang Imphal Konchak Bazar 2. Moreh : Fire Brigade Office, Opposite (Monday and Tuesday).

HL-P/1577/13/5-13/6 *থাগৎচরিবী* : **ROMA**, Nambol




## EMPLOYMENT NEWS

### SSCNR Recruitment – SSC Northern Region – 200 Junior Grade of Indian Information Service, Section Officer (Horticulture), Scientific Assistant & Various Vacancy – Last Date 07 June 2017

**SSCNR Recruitment 2017**

SSC Northern Region invites application for the post of 200 Junior Grade of Indian Information Service, Section Officer (Horticulture), Scientific Assistant & Various Vacancy. Apply Online before 07 June 2017. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

Advt No. : 1/1/2017-ND-III

**Job Details :**
Post Name : Junior Grade of Indian Information Service
No. of Vacancy : 25 Posts
Pay Scale : Rs. 9300-34800/-
Grade Pay : Rs.4200/-
Post Name : Section Officer (Horticulture)
No. of Vacancy : 17 Posts
Pay Scale : Rs.9300-34800/-
Grade Pay : Rs.4200/-
Post Name : Scientific Assistant
No. of Vacancy : 12 Posts
Pay Scale : Rs.9300-34800/-
Grade Pay : Rs.4200/-

**Eligibility Criteria for SSCNR Recruitment :**

Educational Qualification :
For Junior Grade of Indian Information Service : Degree of a Recognised University or equivalent and Diploma in Journalism from a Recognised University / Institution or equivalent.
For Section Officer (Horticulture) : B.Sc. in Agriculture or botany or Horticulture from a recognized university or Institute.
For Scientific Assistant : Master's Degree in Physics or Geophysics or Geology or Meteorology or Hydrometeorology from a recognized university or Bachelor's Degree in Physics or Geophysics or Geology or Meteorology or Hydrometeorology from a recognized university with two years' experience in Hydro meteorological work.
Nationality : Indian
Age Limit : Minimum & Maximum age limit is 18 to 30 years as on 07.06.2017

**Job Location : Delhi**

**Application Fee :** Candidates have to pay Rs.100/- through SBI Net-Banking/Credit Cards/Debit Cards. All Women candidates and candidates belonging to Scheduled Caste, Scheduled Tribe, Physically Handicapped and Ex-Servicemen, eligible for reservation, are exempted from paying application fee.
**How to Apply SSCNR Vacancy :** Interested Candidate may apply Online through the website http://ssconline.nic.in on or before 07.06.2017 thereafter website link will be disabled.

**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Online Application : 07.06.2017

***Important Links :***
*Details Advertisement Link : http://sscnr.net.in/newlook/downloads/2017/notice_8517.pdf*
***Apply Online :*** *http://ssconline.nic.in/*

### IGMCRI Recruitment – Indira Gandhi Medical College & Research Institute – 80 Technician, Radiographic Technician & Operating Room Assistant Vacancy – Last Date 05 June 2017

**IGMCRI Recruitment 2017**

Indira Gandhi Medical College & Research Institute (IGMCRI) invites application for the post of 80 Technician, Radiographic Technician & Operating Room Assistant on contract basis. Apply before 05 June 2017. Qualification/ eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

**IGMCRI Job Details :**

Post Name : Technician
No. of Vacancy : 40 Posts
Pay Scale : Rs. 15000/- (Per month)
Post Name : Radiographic Technician
No. of Vacancy : 20 Posts
Pay Scale : Rs. 15000/- (Per month)
Post Name : Operating Room Assistant
No. of Vacancy : 20 Posts
Pay Scale : Rs. 12000/- (Per month)

**Eligibility Criteria for IGMCRI Recruitment :**

Educational Qualification :
For Technician : B.Sc. with Medical Laboratory Technician from recognized university /Institution and knowledge of computer.
For Radiographic Technician : Degree in Radiography from a recognized university /institution.
For Operating Room Assistant : SSLC or equivalent and one year training as a Operating room assistant from recognized university/institution.
Age Limit : Maximum age limit is 35 years for Technician & 32 years for Other

**Job Location : Pudhucherry**

**Application Fee :** Candidates have to pay Rs. 200/- (for the post of Technician & Radiographic Technician) & Rs. 100/- (for OR Assistant) through DD/ Bancker's Check in favour of Director IGMC&RI, Puducherry at IOB Kathirkamam Branch Puducherry.

**How to Apply IGMCRI Vacancy :** Interested candidates may apply in prescribed application form along with self attested copy of relevant documents & DD send to Indira Gandhi Medical College & Research Institute, Vazhudavur Road, Kathirkamam, Puducherry-605 009 on or before 05.06.2017.

**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Application Form : 05.06.2017

***Important Links :***
*Detail Advertisement & Application form Link : http://www.igmcri.com/userfiles/Paramedical_Perso nnel.pdf*